# ৱারীমচা

## ইমাইবেম্মা শিরমনিদা

*অমরৱাজিৎ থৌনাওজম*

অহিংদা থা থৱান্মীচাকপু য়েংলবদি পূক্নীং ইনৌদা নৌথোকই হায়বনি... বেলকোনিদুদা লেপ্পগা মথক্তা য়েংখৎলগা মোমোন মোমোনসু নোক্লি... ইনোৎ হাপ্লক্লি নুংশিবীগী ফোন লাকপদা...

– দামচা হৌজিকফাও তুমদ্রিবরো?
– উম... নঙগী কোল ঙাইরম্মীনে... থবক লোইরবো?
– লোইরে... অদো কুইদ্রেকো ইবানিগী লুহোংবসে...
– উস কায়দৈগী... থা ২ x নুমিৎ ৩০ x পুং ২৪ x মিনিট ৬০ x সেকেন্দ ৬০... য়াম থিনা ৱাৎলি কৈনো... ৱারেদা ঐদি ঙাইবদা...
– হা মশকসিগা... অদো করম কান্দা ছুটি লোইদোইনো...
– হৌজিক কাল ইরাংসু য়াম কল্লি... চেকশিন্না লৈয়ুকো দামচা...

নুংশিবনা.... রোমা কৌবগা নংহৌদে... ঐগী তুংদা কনাগুম্বা অমা লেপ্পগুম তৌরকখি... য়েংলুবদা

– সার ইমর্জেন্সি মিটিং অমা...
– ইহে! হৌজিকপু... নুমিদাংসিদা...
– হোই সার...
– উম লাকঅগে...

খূত্তা পায়রিবা ফোনদুদা অমুক ওঙ্সিন্দুনা ‘‘লেম্বী ঐ মিটিং অমা লৈরে... কোন্না ৱারী শারসিকো’’ ... হেক হায়বা লোইবগা ঐ মিটিংদু য়াওননবা প্রপ প্রপ থোক্লককখি...

ওফিসার অয়াম্বা মাগী মাগী মফমদা ফম্নরম্মে... ঐসু ঐগী ফম্ফমদুদা ফম্লি...

ইকুই কুইদনা ঐখোয়গী এয়ার চীফ মার্সেল চঙলকখি... মতমদো নুংসুক নুংজাননা ওইনা উই... মকোক্তি হায়ফেৎ শারন্নানি... করিগী শারোই... ইন্দিয়া–চিনাগী ৱারবু থাথারা?

... ফনা কুইনা মহাক হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিগী মতাংদা কুপ্না হায়রম্মী... মাগী খোঞ্জেলসু হেনগৎলি... ঐগুম্না অতৈসু তৌরমগদ্রা?

‘‘মরম অসিনা হৌজিক তৌবগী চাদা ৪০ লৈ... এনি টাইম ৱার ডিক্লার তৌরকপা য়াই অদুনা নখোয় মতম পূম্নমক্তা রেদিদা লৈগদবনি... মরকসিদা সংদাইনবা অমা পুরক্লবদি বেষ্টনি... অদুবু থাজবদি খরা ৱাৎলি...’’

... ইমা! ঐ হার্ট ফেল ওইরে... ঐদি লোইরেদনা... লুহোংদ্রিঙৈ নুপী থিবা খঙদবা পাখঙ পুন্সিদা ঐবু পুন্সি ৱারীগী চৈখৈনা চিংবা তারবা...

ওহ! পলেম ইমা... পেন্দেদা... নচা য়াম পেন্দেদা... কা য়ৌরগা পেরি পেরি লম্বীদা কোল তৌজৈ...

– দামচা... পোত্থারোদনা থেংলে...
– লেম্বী...
– কৈ হায়গে দামচা...
– লেম্বী...
– হৈমা কৈদৌরগে দামচা...
– ঐ নঙবু য়াম্না থিনা নুংশিবনিকো লেম্বী...
– ইহ খঙঙে কৈদৌরগে... অদুনবু লুহোংদৌরসিদি...
– আহ... অস লুহোংবদো... অমুক্কসু অস...
– কৈদৌরগেমী দামচা...
– হুম... কৈসু নত্তে... থম্মগে... নঙসু পোত্থারো...
– হোই... দামচা গুদ নাইট...

ফোন থমখ্রবা মতুং অঙাং মচাগুম প্রোক প্রোক চাক্লা হিক হিক কপ্লি...

‘‘... ঐসে থৌনা ফবা এয়ার ফোর্স ফাইটরনিকো... অদুগা ঙসিনা অসুক য়াম্না থম্মোয় শোন্থরিসিনা কৈগী... শোন্থবা তাবনি... মীগীদি লুহোংলমদায়সে মৌ অনৌবীনা ফমুং ফজবা পুরক্কদ্রা হায়না ৱাখলগী দলান শাগৎলি... ঐদি ফমুংগী মহুত্তা মী অশিবগী কূ ঙাক্তা উরে... হো ইমা... পেন্দেদা... পেন্দেদা...’’

– ইহ মিষ্টর চীঙ্খৈ... কৈদৌরে হৌজিকফাও তুমদ্রদি... এনি টাইম ৱার ষ্টার্ট তৌবা য়াই... অদুনা ঐখোয় এক্টিভ ওইনা লৈগদবনি... তুম্বা ৱাৎলবদি নারকপা য়াই... অদুনা হৌজিক নাবা য়াবা মতম নত্তে...
– উম...
– টেক ইট ইজি পাল... গো গেট সম রেষ্ট... ইজি ইজি... য়াম ইজি ওইরে... সোমদনা মৈবা হৌরকানসিদা... নোয়গী ইন্দিয়া চিনা ৱারদগী হেনবনি ঐগী থম্মোয়সিদা ৱারিসে... নোইনা খঙবীপোৎ নত্তে, করম্বা নুপানা নুংঙাইদোইনো... ‘লুহোংলমদায়’ দগী ‘শিরমদায়’ ওনখ্রবদা...

লুহোংলমদায় শিরমদায় দায় দায়... হো ‘দায়’ ওন্দোরে...

ৱাখল খন্না–খন্না উইরোন তুমথরুরে... নোংঙাল্লগা ময়াম ঙাংনরকই... ঐখোয় প্রাইম মিনিষ্টরগা চিনাগী প্রসিদেন্টকা অরোইবা ওইনা ৱারী শান্নরনি হায়রি... হন্দক্কী অরোইবা ৱারীসিদা ঐগীসু অরোইবা স্বর হোল্লু হায়না তল্লদ্রা খঙদ্রে...।

নুমিত্তো ঐখোয় কনামত্তা লৈফম চাফম খঙখিদে... ৱার তৌরনি হেক হায়বগা ঐখোয়সু পোজিসন শেমগদৌরিবনি... ৱার চঙবগী পোজিসন নত্তে... কূ চঙবগী পোজিসননি... খল্লু খল্লুরগা স্বরফাও চনিং চমাঙ শন্নদরে...

নুমিদাংগী পাউ তানবা ঐখোয় মশেল খৌরাঙনা ঙায়নরি... পাউদুসু পাবা হৌরকএ... ঙাংলিবা ৱাহৈশিংদো থোইনা পূক্নীং লূপ্লুদে... অরোইবগী ৱাহৈ... লোইশিল্লকপগী ৱাহৈদো...

‘সো, এ পিছ ট্রিটি হেজ বিন সাইন বিত্বিন ইন্দিয়া এন্দ চিনা’’

য়াহ...

– হাই ঙাওরব্রনেহে নঙবো... পূংসিসু আহ য়ৌখ্রেনে... ট্যুসন থেংদ্রিব্রনে নঙবো।
– ইহ ইমা... ???...
– করিনোনে নঙবু অদুক কন্না লাউরিদুবু... য়ূমথংনবনা ঙাওরে হায়রম্লনিনে...
– কৈ... কৈনো হৌজিক্কীদো মঙলো...
– হরে হরে... মঙ নৎত্রদি কৈ ওইদৌরিগে... মোজা ফুরিৎতুগা ফমুংদনিনে নঙনা লৈরিসে...
– ইমা অশেংবগী মঙলো হৌজিক্কীদো... আস! হা... হা... ইমাইবেম্মা শিরমনিদা...
– হায় পূংসে আ য়ৌরবনিকো হৌগৎলো... তাঞ্জাদুদা ঐগী ফোনদো খোংলকই...
– লেম্বী কোল্লিং...
– হল্লো লেম্বী তাবরো...
– তাইয়ে কৈদৌরিগে হৌজিকফাও...
– আহ হা... হা... ইবানি লুহোংগনিকো...
– করি লুহোংবনো... ঙমখিরোইকো। ঐ অঙাং য়াম্না ওইরি... ক্লাস টুৱেল্ব ফাও পাস তৌদ্রি... ট্যুসন থেংদ্রিবো... ঐ লৌবা লাক্কনি হায়দো কাউরব্রো নঙ...??
– হা... ক্লাস টুৱেল্ব...? ট্যুসন...?

# শৈরেং

## ইপাল থাদি য়ৌরক্লে

*– তবানু খুরাইজম*

কায়খ্রবা য়াঙ্গংলবা তোর্ব্বান্দনা
নোং তারক্কনি খনবদা
থমোয় তনিক তনিক্লা
মচীন্দা শোলহৌই মুরুম মুরুম
শেম্বীনি লাউরম্বা মহাক্তো
চহী ফারক্লে লাক্তবা
ঈপাল থাদি য়ৌরক্লে।
নোংজু থাজিন ইঙা থা
লাক্কনি ইঙেল খোংলোই ওই
হাংল নোংমদোল অতিয়া
নোংগী মপৈ ফীজেৎনা
ঈরম ঈখোং থুন্নরনি
তাইবঙ থম্মোয় মীপাইরনি
চীনফেন ফনা ঙাংখিবা
তাউ খুদিং নোংলুকপা
ওইদ ফীজং মরুমদা
কেকু লোত্তুনা লৈখিবা
ঈপাল থাদি য়ৌরক্লে।
তাইবঙ অৱা মৈশা লাং
খোম্থাং খোঞ্জেল তানি খন
নাকোং মেন্না লৈহৌরি
পাঙ্গল থৌনা হাপঙম্বা
লৌনম্বা মানা শেমদনা
ঈচেল মাবু ফাঙম্লোই
চহী ফারক্লে লাক্তবা
তোর্ব্বান দ্রেন কায়বগা
ইরালদি নত্তে হায়হৌই
নীংঙমদা পাউজেল পীরকই
ঈপাল থাদি য়ৌরক্লে।

## নঙবু ঙাইবদা

*– সমরেন্দ্র*

মতম কয়া হৌখরে
পুন্সি লম্বীসু তম্থাই হেল্লক্লে
থেংনখিগদ্রা খন্দুনা চৎলকপনি
ঐ মীৎকুপ অমৎতসু পন্থবা তৌদা।
ঐ খঙই পূংজা অমত্তসু ঙাইরমদনা
চৎখি মতমনা
হকচাংসিতনি পন্থহৌরিবা লম্বীসিদা।
নহাক্তনা লেপ্পরবা মতমদুদা
ঐগী পুন্সি থোঙজিন্দা
কোকচগনি থম্মোয়গী ইখৌ লাংবনি।
অদুবু,
নহাক কৈদৌঙৈদসু খক লাক্তে
পিবতনি থম্মোয়সিদা চৈনা হেন্না হেন্না
নুংতি নুমিৎ খুদিং ইনৌতা নৌনা।
ঐগী পুন্সি লোয়খিবা য়াই
লম্বীসিদা চৎনা চৎনা।
ঙসিসু,
অৱাৎপা অমগা লোয়নরিবা
হাংলবা থম্মোয়সিনা
নহাক্লা লাক্কদবা লম্বীদুতবু য়েংলদুনা
অনৌবা অয়ূক খুদিংদা অশোন অমমম থল্লদুনা
হকচাংগী চৈনা কয়াবু ইথন্তা ফাজিঞ্জদুনা
ঐনা ঙাইরি নহাকপু।

## হুরানবনা হুরানবগী লীচৎ খঙই

*– কে ইমো মৈতৈ*

মাঙলমচত্তা ওইদবতা তৌদুনা লাকপনা
তুংলমচত্তা অচুম্বা তৌরকপদা থাজদে
ইহাকথক্তা অরানবতা তৌদুনা লাকখিবনি
থাজদে ইশানা চিংনজৈ মখোয়বুসু
তৌরমগনি মখোয়সু ঐগুম্না অরানবশিংদো
হংজরি ইশানা কনাসু তাহন্দনা
মখোয়সু ঐখোয়গুম্না অচুম্বা তৌদবরনে?
ঙসিদি মখোয় মায় পাক্লে!
ঐখোয়সু মায় পাক্তুনা লাকখি
ঐখোয়তনা মায় পাক্তুনা লৈনিংঙই
ঐখোয়তনা তৌরিবা খুদিংমক অচুম্বনি
মখোয়না তৌরকপা খুদিংনা অরানবনি
ফোঙদোক্লগা নুংঙাইজৈ পৈঞ্জে থম্মোয়সে
মখোয়না অফবা অচুম্বা তৌরকপদা
থম্মোয়সে খোইরাংঙি, পোত্থাফম খঙদে
অচুম্বা অমত্তা তৌরকখিদবা ঐহাক্লা
মীনা তৌরকপা অচুম্বা খুদিংমক
ঐনদি খল্লি অরানবা ঙাক্তনি
শন্দোক্লীংঙই মীয়ামদসু হায়নিংঙই অরানবনি
ঐখোয়না শোইখিবশিং মখোয়দা থংজিনবনা
ৱাখলদা নুংঙাইজৈ হরাউজৈ নুমিত্তো!
ঐখোয়গী পুন্সিনা হৈনরিমখৈ তাইবঙদা
হুরানবগী তরানি হায়বদো ওইজগে
মপুগী নোংমা হায়বদো লৈহনবীরনো
হায়জরগে নিজরগে তাইবঙ মপুদা।

## লুকমায়দা য়োনবা থৱায়

*– ওইনাম কুবের*

হে অরাম–খৌরাং মৈচাক
ওম্হোক্লসু কল্লিদা নহাক্কী চৈনা
মমাগী মথানুংদগী মচা শত্তুনা
লম্লানবদা শিন্নবা ঙমই নহাক্লা।
নহাক্কী ঈখৌ ইৱায়রক্লবদা
থম্মোয়নুংগী নুংশিবা মাঙখিদো
‘নুংশিবা’ গী মমল লৈহন্দে
মমা–মচা মরী লৈনহন্দে।
পীরাংতনা চোৎলবা মোল্লাংদা য়াতারদুনা
হীক্লা কপ্লি নাৱা অমা,
খোম্লেন মঙলানচা অমদা
অমম্বা সংসার অমদা।
চাক চয়োম পায়দুনা মমানা
চেল্লকখি, ‘ইমা লাক্লে’ হায়দুনা
মমা–মচা চেজেৎ কোনশিনমিন্নখি
মপোকসিমগী থাদোক্লগদবা মান্দে।
চাক চদুম চদুম চামিন্নখি
পীরাং চদুম চদুম শিম্থমিন্নখি
কাউরুরবা মীনোক মীওইপোক্কী
চিনবান কাঙনা নোকমিন্নখি।
‘‘ঐবু য়োম্হোকপীগনুকো ইমা।
নতুং ইন্দুনা লাক্লগে
চাগেসু হায়ররোই
শেৎকেসু হায়ররোই।’’
পেল্লবা থৱায়না মচাগী
মতুং ইন্নখিবা মমাগী
হকচাং পোলাং থনম্লগা
অয়োনবা থৱায়গী মমল হন্দুনা।
ইনুং শোরা তৈবদা
ৱা–গী কাংথক মথক্তা
তারি হকচাং পোলাং
মপুগী চৈফু খঙবীদনা।

## মতমগী চৎনবী

*– ইরোম মোবি*

নমায়না অনা মুক্তা পাকই
আনোক্তুনা নমায়দগী হেন্নো পাক্লে
পাখঙ মচাদুনা লক্লে।

নঙদি ফজরেহে
নশমনেনা তৌরিদুনা
চায়শেল উপ্পগা
ককপা হেক মাল্লদনা
লৈশাবী মচাদুনা খুম্মী।

অমনা অমদগী হেন্নদ্র মাল্লে
তুমিন তুমিন লৈনখ্রে।

## চীংনুংগী তাম্না

*– নিংথৌজম ইবোপিশক*

তাম্না খোংলিবা চীংনুংগী লোক্লুংদুদা
পূক্নীং ৱাখল ঈথিল হৌহল্লিবা
চীংনুংগী ফজরবা ঙাঙান্নবা মচুনা
য়েংবদা পূক্নীং হুনা ফজরিবা।

খোঞ্জেলদি তারি শক্তমদি উঙমদা
লাপ্পা–লাপ্পগা হেল্লি নুংশিবা
খোইথুম্নরবা শুরগী খোঞ্জেলগুল্লি
ইংহল্লি থম্মোয়সে পেৎহল্লি পূক্নীংসে।

তাইবঙ মীওই’গী ৱাখল ইংথহল্লি
নুংঙাইহল্লি মীকুপ অমত্তা ওইরবসু
শারবা নুংশাগী মৈশা লক্তা
ঈংহল্লি অইংবা লাইজনা খিক্লপগুম।

নুংঙাইনা ইংনা পোত্থাহল্লো
মালেম ইমাগী তম্পাকথক্তা
নাওশুম ঈশেংগুম শক্লিবা
খোইথুল্লবা চীংনুংগী অইংবা খোঞ্জেলনা।

## চফুদা য়োকপা ঙা

*– এম কে সরোজ খান*

চফুদা য়োকপা ঙানি
ফানিংবা মতমদা ফাবা
হাৎনিংবা মতমদা হাৎপা
য়োন্নিংবা মতমদা য়োনবা।

চফুদা য়োকপা ঙানি
মনিং তম্বা ঙমজদ্রবা
ৱায় কৌবসু হায় ঙমজদ্রবা
ফাজিন পুন্সিল্লগা থম্বীরিবা।

চফুদা য়োকপা ঙানি
লৈমিন্নরম্বা কয়া মাঙখ্রবা
হিংবগী মহাও লৈত্রবা
ঐগী তাঙ্কক ঙাইরিবা।

চফুদা য়োকপা ঙানি
শান্ননিংবা মতমদা শান্নরিবা
শিরনি খঙনা খঙনা
শিঙমদনা হিংলিবা পুন্সি।

# তাবুনুংদগী

কবি থাংজম ইবোপিশক্কী ‘‘মায়াদেশ’’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ১৯৯৯ দা ফোঙখি। লাইরিক অসিদা মহাক্লা মার্চ ২৫, ১৯৯৩ দা ইখিবা মায়াদেশ–৩ কৌবা শৈরেং অমা য়াওরি। শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

## মায়াদেশ–৩

ইরৈবাক্কীদমক শিবা ঙমদে
ইরৈবাক্কীদমক হিংবা ঙমই,
ইরৈবাক্কীদমক হিংবা ঙমদে
ইরৈবাক্কীদমক হুবা ঙমই।
ইরৈবাক্কীদমক হুবা য়াব হুরগা
অমুকসু ওক্তদুনা হুন্দুনা হুন্দুনা ঙাংজবা ঙমই।

দেশ দেশ খুদিংদা
ওইরি খদ্রক্কী দেশনা জয়।

*থাংজম ইবোপিশক*

# মণিপুরী পাঙ্খে–পাউরৌ, পাউতাক

* **কুমদসু কুমজাগী কুৱাক লমদাইনৌ তাইশিন্নৌ।**
  – চহী অমদা অমুক্তং ওইরবসু খুল্লোন্নবদা অনৌ অপেন কৎতুনা মপুদা খুরুমজৌ।
* **কুমশি ঈশিং চাইরগা নোংমৈ মপান শারগা।**
  – তুং খল্লগা ৱাখল নুংঙাইনা থবক তৌবা।
* **কুশি রাশি নপোৎতদা তৌ।**
  – ঐগী থবক খক্তদা ইনীং তৌজবা নত্তনা মীগীদদি তৌরুনু।
* **কুমসিনা মফরদ্রা খল্লুবা, শোইবোল ঐগী ইমৈসে লম্মৈনা কোগোক চাকথোক্লে।**
  – হন্না হন্না কয়ারক হোৎনরবসু অফবা মহৈ ফংলক্ত্রবা থবক।
* **কুমশি পোকপা অঙাংদগীদি ঐগী ইচানা মফজরে।**
  – মাগী মাগী মচা–মশুনা (মপোৎনা) হেন্না ফরে খঞ্জবা।
* **কুমশি কুমশি, মরৌ মরৌ।**
  – কুমশি চহীগী মহৈ য়ান্দ্রবসু মথং চহীগী আশা তৌদুনা মতম ঙাইবা।
* **কুম লায়নানা খৌদেম্বদা হুরানবা চেল্লি।**
  – অরানবা তৌবদি থম্মোয় পীকপনা শোৎ পেক লাউবদা কিদুনা চেল্লি।
* **কুল্লু–কুনবা, হৌগৎলু হৌগৎপা।**
  – মীনা হায়বা য়াগনবা হোয়া ফবা মী।
* **কুন্নং নাদা চিল্লিঙৈ।**
  – অঙাং ওইরিঙৈ, লৈশারিঙৈগী মতম।
* **কূন্ধৈ য়েংলিঙৈদা লাল্লংনবা (লাল্লোইনবা) (কূন্ধৈ য়েংবা লাল্লোইনৈ)**
  – ঈথক ঈরাংদা তাউরিঙৈ খুদোংথীবা নংবা
* **কূম্মৈদা পানবা তুম্বা।**
  – মনুং মতম চাদনা তৌখিবা থবক্কী মহৈ মওং মরীন চুমদে।
* **কুম্বী হুয়শেম।**
  – থবক তৌবিবদা মওং মরীন তাদবা।
* **কুম্বী কালেন নাইদবা (খায়দবা)।**
  – মতম পুম্বগী ওইবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– ঈশিং লৈবা মফমদা কাঙঙনা লৈ, ঈশিংনা কংলগা মফমদু থাদোকই। মীদি অদুম্না তৌফদে মরমদি মহাক্লা থাদোক্কবা মী নৎত্রগা মফমদুদা হল্লক্তবা য়াদবা লৈবনি।
– মরম চানা খরচ তৌবা, করবার তৌবা, দান তৌবা নৎত্রগা শেন্দোং ফংনবা পুথোকপনা মরম ওইরগা তুংশিল্লিবা লন্দু মাঙলোই। ঈশিং খরুংদগী অরিবা লৌথোক্লগা অনৌবা হৈজিনবা অদুগুম্না তুংশিনবা শেলবু মাঙহল্লোইদবনি।
– লন লৈবা মীগী মরুপ অমসুং মরী মতা লৈবনি। মহাক হিংবনি। অদুগা ইকায়খূম্নবনি।
– মীগী মপোক্তা পোক্লরবা স্বর্গদগী লাকপা জীবনি খঙনবা মরম মরি লৈ। মখোয়দুদি দান তৌগনি, নুংশিনা ঙাঙ্গনি, ঈশ্বর নীংগনি অদুগা ব্রাহ্মণগী নুংঙাইনবা তৌগনি।
– য়াম্না শাউগনবা, ৱা য়াক্লা ঙাঙবা, লাইরবা, মরী মতাগা য়েক্লবা, অতোনবগা তিন্নবা অমসুং অতোনবগী সেবা তৌবা (খনবা) – হায়রিবশিংসিনা নরক্তগী লাকপনি হায়বগী খুদমশিংনি।
– তৌগে নীংলবদি শামুগী মকোক্তগী মুক্তা লৌবা য়াই, নোংশাগী মকোন্দসু চঙঙুবা য়াই, অদুবু লমহুই মখুলদা চঙলুবদদি ষণনাউ মমৈ নৎত্রগা গধাগী মউন নত্তনা করিসু ফংঙোই।
– মহৈ হৈতবা মীগী পুন্সিদি হুয়গী মমৈগুম্বনি, ফত্তবা থাদোকফম থোঙবুসু খঞ্জিন্দে, কাঙ–হয়িংনচিংবনা চীকপবুসু হোইদোক্তে।
– ৱাহৈ শেংবা, ইন্দ্রিয়শিংবু লাকশিনবা পূক্নীং, জীব পূম্বদা থৌজাল হৈবা, ধর্ম্ম কায়দনা লন তানবা হায়রিবশিংসি অরান খুভম ফংনবা খুদমনি।
– লৈদা মনম, থোইদিংদা থাউ, শীংদা মৈ, শঙ্গোমদা ঘী, চুদা চিনি অদুগা হকচাংদা আত্মা উবদু অশিংবনি।
– অতোনবা মীনা লন পাম্মী, ময়ায় ওইবা মীনা লনবুসু ইকায়খূম্নববুসু পাম্মী, অথোইবা মীনদি ইকায়খূম্নবখক্তা পাম্মী মরমদি ইকায়খূম্নবা হায়বসি খ্বাইদগী থোইরবা লননি।
– চু, ঈশিং, শঙ্গোম, মরা–মরূ (মঙ্গ্রানচিংবা), পানা, উহৈ, হিদাক (নৎত্রগা চেঙ অমসুং য়াম্না শাবা অচাপোৎ), (খরা) থক্লগা নৎত্রগা চারবগী তুংদা ইরুজরগা দান নচিংবা থবক তৌগদবনি।
– মৈনা অমম্ববু চায় অদুনা তেঙ্গালি পীথোরকই। চারিবা চীঙ্গাক মতাদুনা মীদুগী হৈনবী অমসুং গুণ ওই।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১৫৫. অসোম ৱাংমদা লংথোক্লগা সোম ৱাংমদা থুবা–
১৫৬. লৈশাবী মঙানা পুখ্রি ময়াইদা জগোয় শাবা–
১৫৭. লাইর ইনাকখুনবা, অঙাং–অহল, জাজি–বিজাতি খাক্তনা মী খুদিংনা নুংতিগী কয়ারক হন্না তৌদবা ইয়ামক য়াদ্রবা–
১৫৮. পোকপদগী ঈশৈ শকপনা মথৌ ওইবা তাম্থ অমদা শিবা–
১৫৯. মশীং অহুম তিনশিন্নবগী ফলগা অহুমদু পুরিনবগী ফলগা মান্নবা–
১৬০. মখোঙ মরি পানবা চহী ১ দা অনীরক্তা চৎপা–
১৬১. মনা তগুপ তগুপ মপাল কাংদ্রুম মহৈ কবাক–

***মমাঙ নোংমাইজিং (১৯–০৫–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৪৭. চাক থোংনবা লৈবাক্কী পাত্র অমসুং চেগপ।
১৪৮. হিক খুজিন্না শিকপা।
১৪৯. নপ অমসুং রুমাল।
১৫০. থাউমৈ।
১৫১. মোরোক।
১৫২. ৱা।
১৫৩. চিনগী লৈ।
১৫৪. মৈতাল অশিবা অচাকপা মরক্তা হুক্তনবা।

# চয়োলসিগী ফাগী

**ভাব ফবা!!**

মরৈকাইমক্তদা নক্লা ময়ূম পানবী মচন্নুপীগী মচানুপা বোবোইবু (চহী ৯/১০) মাগী মাম্মনা ওখাক লুনা তৌজৈ, নীনি কাঙদে কৌরক্লিবা...

বোবোই মমা – ইবুঙোমচা, নঙ মামোহোই য়েনবা অমা লৈতুম্না পানবদৈ শিদুনা থোংলি চারলাও হায়বনি।

নোংমনা অমুক... ইবুঙোমচা, নঙ মামোহোই ঙানু অমা মীনা নাওরি কাপ্পকপদৈ শিদুনা থোংলেয়ে চারুলাও হায়বনি।

অদুগা নোংমনা অমুক... ইবুঙোমচা নঙ মামোহোই রেবিৎ অমা মকোন তেকথবদা নন্দুনা শিবদৈ থোংলেয়ে চারুলাও হায়বনি।

অসুম তৌনা ইতৎ–তত্তনা থোক্লবা মতুং নোংমদি, বোবোই মমানা মচাবু নুংশিনা কৌবিদুনা হায়, ইবুঙোমচা নঙ মামোহোই নেনেদো ৱাম্থখিদুনা শিদৌদগী লাক্লহৌরেয়ে মমাগা চৎলুসি লাকও?

বোবোই – (ঙাইহাক খঞ্জান্নরুরগা) মমা ঙসিদি ঐ চাক চানিংদেকো মমা।

**পরা ফাহনবা!!**

নুংতি নুমিৎ খুদিংগী থবক হঞ্জিল্লকপদা, নুপীদা পংঙাং ঙাংগনবা নুপানি– নুমিৎ চুপ্পা করি তৌদুনসু লৈরিবনো, চাবা–থকপা ৱাৎলি হায়দুনা হাজিরা শূরুই হায়সু নত্তে করিগীনো চাক লোয়রমদ্রিবা, ফি শুরমদ্রিবা অদু তৌরমদ্রিবা অদা তৌরমদ্রিবা...। অসুম্না লৈরকপনা নোংমদি নুপাদুনা হঞ্জিল্লকপদা ময়ূমদু লুখাক চগুম য়াওনা পুমচায় চাইদুনা লৈরম্মী অদুগা নুপীদুনা ফমুংদা নুংঙাইনা হিপ্লম্মী। মদুদা–

নুপা – (শাওনিংগুম করিগুম) করিনো করি তৌরগে তৌরিসিবো?

নুপা – (তপ্পপ্না) ও নহানখৈ ঐঙোন্দা নুমিৎ চুপ্পা করি তৌদুনা লৈগেনা হেক–হেক হংবিবদো, ঙসিদিনে ঐ করিসু তৌদ্রবনি।

**অনৌবা ৱাহং!!**

মোমোচা – বাবা, বাবা মপাশিংনা মচাশিংদগী খঙবা হেনবরা?

মপা – হোই!

মোমোচা – অদুদি বাবা টেলিগ্রাফ কনানা পুথোকখি?

মপা – (ঙাইহাক খল্লগা) মার্কোনিনা পুথোকখি করিগীনো?

মোমোচা – মাই মপানা টেলিগ্রাফ পুথোক্লমদ্রিবা করিগীনো বাবা।

**নামুংলবা ৱাহৈ!!**

ওজা – ইমোচা ৱান–টু–হন্দ্রেদফাওবা থিয়ু?

ইমোচা – ৱান, টু, থ্রী (ফোর কাল্লম্লগা) ফাইভ...

ওজা – হায় করিগীনো ফোর কাল্লম্লিবা?

ইমোচা – ওজা নঃ ফোরবু পল্লদি শি হায়না ঐখোয়গী মমানা হায়।